**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে. সোমা সেকরনা হায়রি- খুনাইদা অহোংবা পুরকপদা আইন ঙাক্লিবা অমদি ৱায়েল চুক্লি পায়রিবশিংগী অচৌবা দাইত্ব লৈ।

২) রিসাইকলগী থৌওংনা অমোৎ অকায়শিং লোইশিনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়না ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী দাইরেক্তরনা হায়রি।

৩) উরিষাদা হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ান এসোসিয়েসন ওফ টুর ওপরেতরগী ৪০ শুবা চহিগী মীফমদা মণিপুরগী নাৎ চৎনবী অমদি কুম্মৈনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিনখ্রে।

৪) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

অমসুং
৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি স্পেস সেক্তরদা অনৌ অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা খুমাং য়াংনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙমলে।

------

লো (এল)ঃ মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস, জষ্টিস কে. সোমা সেকরনা হায়রি- খুনাই অমবু অহোংবা পুরকপদা আইন ঙাক্লিবা অমদি ৱায়েল চুক্লি পায়রিবশিংগী অচৌবা দাইত্ব লৈ।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা এন.দি.এন্দ পি.এস. এক্ট, সাইবর ক্রাইম অমসুং অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা রাজ্য থাক্কী ওইবা কনফরেন্স হৌদোক্লদুনা চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সোমা সেকরনা হায়- ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি নত্রগা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমা ফাবা হায়বসি অরাইবনি। অদুমওইনমক মরাল লৈরে হায়না ফারবা মীওই অদুগী মথক্তা অহানবা ওইনা লৌখৎলিবা ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ.আই.আর) অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিং নিংথিনা খঙহনগদবনি। মহাকা হায়- মতম পুমমক্তা আইন ঙাক্লিবা অমদি ৱায়েলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা মীওইবা অমগী হক শোকপা য়াওবা থৌওং চথুরোইদবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা শেল্লিবা আইনশিং অসি মীওইবা খুনাইগী য়াইফনবনি।

চীফ জষ্টিসনা মখা তানা  সাবর ক্রাইম কদাইবু কৌবগে অমদি করম্বা মীওইশিংবু সাইবর ক্রাইমদা চেন্নবনি হায়না লৌগদগে হায়বগী মতাংদসু মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা আইন ঙাক্লিবশিংনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা আইনশিং অসিগী অকুপ্পর ৱাফমশিং নিংথিনা খঙজিন্নবসু আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জজ-জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মনা হায়- করিগুম্বা ৱায়েল অমা চথুবা মতমদা মদুদা মরুওইনা চেন্নবা মীওইশিং নিংথিনা মশক খঙদোকপা তঙাইফদে। মসিনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

মীফম অসিদা মনিপুর জ্‌দিসিএল একাডমীগী দিরেক্তর-জষ্টিস গোলমৈ গাইফুল শিলু, মনিপুর হায় কোর্টকী রেজিস্ত্রার জেনরেল-ওজেস মুতুমনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি হায় কোর্ট মনিপুর, মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিতি অমসুং মনিপুর জ্‌দিসিএল একাডমীনা পুন্না  শিনবনি।

সোলিদ (এল)ঃ   দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়রি- য়ুম য়ুমদগী থোক্লকপা অরেম

অপাশিং অমুক হন্না শিজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং ওইনা পুথোকপা ঙম্লবদি অমোৎ অকায়শিং লোইশিনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী ওফিসতা নুমিৎ নিনি চখ্থরকখিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম লোইশিনবগী থৌরমদা ডাঃ ব্রজকুমারনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মীয়ামা অসিগুম্বা থবকশিং অসি পাক শন্না পায়খৎপা ঙম্লবদি লমদম অসিগী নহাশিংদা খুৎ-শা হৈবগী লমদা থবক পীবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি।

থৌরম অসি ইন্সটিট্যুট ওফ ইঞ্জিনিয়ারস মনিপুর ষ্টেট সেন্টর, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ অমদি মহুদ বিভাগনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা খঙ হৈরবশিংনা ৱা ঙাংখি।

তুরিজম (এল) ঃ রাজ্যগী তুরিজম বিভাগনা ইন্দিয়ান এসোসিয়েসন ওফ টুর ওপরেতর (আই.এ.টি.ও)গী ৪০ শুবা চহিগী মীফমদা শরুক য়াদুনা লমদম অসিগী ফজরবা নাৎ চৎনবী অমদি কুম্মৈ কয়া মশক তাকখ্রে।

উরিষাগী পুরিদা থা অসিগী ২৫ ফাওবা চখ্থগদবা মীফম অদুদা রাজ্যগী তুরিজম দাইরেক্তর লৌরেম্বম বিক্রমনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা শরুক য়ারি। মীফম অদুদা উদ্যোগশিংগী মরুওইবা মীওই কয়াদা মণিপুরগী মহৌশাগী ফজবা অমদি কুম্মৈ ফিয়োংশিং নিংথিনা উৎতুনা লম কোইবা কয়াগী লমথুংফম ওইহন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা কেন্দ্রগী তুরিজম অমসুং কলচর মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট অমদি তুরিজম মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তর জেনেরেলসু শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং আই.এ.টি.ওগী মেন্যুএল ২০২৫ ফোংবগা লোয়নন্না আই.এ.টি.ও হোল ওফ ফেম এৱার্দ ২০২৫ লান্থোকখি।

মীফম অদুনা মণিপুরগী তুরিজমগী লৈরিবা মচাকশিং খঙমিন্নদুনা লম কোইবা অমদি উদ্যোগশিংগী পুকিং চিংশিন্নবগী অচৌবা ফম্বাক অমসু ওইরি হায়না রাজ্যগী তুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিতেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

এনআরসি (এল)ঃ নেসনেল রিছার্স সেন্তর (এন.আর.সি) মণিপুর অমদি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ)না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা প্রাইম নম্বরশিংগী মতাংদা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল পাব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাঞ্চিপুরদা পাঙথোকখ্রে। দিল্লিগী ইন্দিয়ান ষ্টেটিষ্টিকেল ইন্সটিট্যুটকী থিওরিটিকেল ষ্টেটিষ্টিক্স অমসুং মেথমেটিক্স য়ুনিতকী প্রোফেসার শান্ত লাইশ্রমনা রিছার্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এন.আর.সিগী প্রসিদেন্ট থোঙাম আজিৎনা হায়- হৌজিক্কী মীরোলনা অঙ্ক হৈবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি হিরম খুদিংমক্তা অঙ্ক অসি য়াওদবা য়াদবা অমা ওইরক্লি।

থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল, ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিং, এন.আর.সি অমদি এম.এস.এফকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

দিঙ্গো (এল) ঃ মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক অঈং অশাগী খল কায়রক্লিবা অসি ঐখোয় মীওইবনা মহৌশাদা তোইনা শিংনবদগীনি হায়না এম.এল.এ- হৈখাম দিঙ্গোনা ফোংদোক্লি।

সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা খুরখুল মখা লৈকাইদা মমাংদা থাখিবা উ পান্বীশিং য়েংশিনবা অমদি অনৌবা উ চারা কয়া থাবগী থৌরমদা এম.এল.এ- দিঙ্গোনা মখা তানা হায়- ঐখোয়না মরম লৈতনা উ পান্বীশিং য়ান্থৎপগী থবক তোক্লশি। অশং অমানতনা থনবা মালেম অমা ওইনা তুংগী মীরোলদা খুদোল তম্লমশি।

গুরু (এল) ঃ লৈখিদ্রবা গুরু বিপিনগী মপোক নুমিৎ নিংশিং থৌরম অমা ইম্ফালগী কালিমাই মন্দিরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি রাধা মাধব কলচরেল ইন্সটিট্যুসন্না শিনবনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইন্সটিট্যুসন অসিগী আর্টিষ্টশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা জগোই কয়া উৎখি।

এআর (এল) ঃ ককচিং জিলাগী সেরৌ মখা লৈকাইদা লৈরম্বা পোকখায়দ্রিবা বোম অমা অসাম রাইফলসনা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে। মীয়ামদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা পোৎশক অসি মনাক্তা মীওইশিংনা থা অসিগী ২২ দা থেংনখিবনি। মফম অদুদা রাজ্য পুলিসকী কাংবুনা য়েংশিল্লবা মতুং অসাম রাইফলসতা পাউ পীরকপদগী অখন্নবা বোম দিস্পোজেল য়ুনিতনা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখিবনি।

অসাম রাইফলসনা লমদম অসিগী মনুং হঞ্জিনবা খুলশিংদা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙসি কামজোং জিলাগী কোনখানদা মরুপ মপাং ওইবগী ভোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা তমেংলোং জিলাগী তামৈদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়ুঙৌ বোট্টল ১৪৪ ফাগৎখ্রে। মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা ফাগৎলবা পোৎলমশিং তামৈ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

থৌবাল (এল) ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ থৌবাল অমদি মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতে (এম.এস.পি.দি.সি.এল)দনা পুন্না শিন্দুনা প্রাইম মিনিষ্ট সুরয়া ঘর য়োজনাগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা থৌবাল ক্ষেতি শঙলেনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লাইওন্স ক্লবগী মীহুৎশিং অমদি এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

এৱারনেস (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা শগোলমাং মল্টিপরপজ কম্যুনিতি হোলদা ঙসি জিলা অসিগী দি.এল.ওনা শিন

দুনা এফ.সি.এস এজেন্টশিংগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা নপসা অমসুং কিষান ক্রেদিৎ কার্দগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.এ.এফ এন্দ পি.দি ইম্ফাল ইষ্টকী দি.এস.ও কাংঙুজম ধননজয়না হায়- নসপাগী কার্দ অমদি কিষান ক্রেদিৎ কার্দ পায়বা য়াদবা মীওই কয়া য়াওরিবসি য়েংশিল্লগনি।

এৱারনেস (এল) ঃ কাডানা লিশাং শিৎনা চথুরকপা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা একাদমি এৱারনেস অমা ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল তাকয়েলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রিছার্স পার্সন ওইখিবা কাডাগী সেক্রেটরি জেনেরেল তখেল্লম্বা গীতচন্দ্রনা মহৈরোইশিংদা স্লাইদ সো উৎতুনা নিশা পীবা চৈথেং কয়াগী মতাংদা খঙহন্‌খি।

লম্বী (এল) ঃ ফাউন্দেসন ফোর রুরেল অরবান দিভলপমেন্ট মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল. তোম্বগী লীচিং মখাদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এস.পি. ওফিস মমাংগী লম্বী শেমজিনবগী থবক চথুখ্রে।

মেট (এল) ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা অতৈ জিলাশিংদসু ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। তমেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম নোনে অমসুং ফেরজোল জিলাদদি হায়রিবা ফিভম অসি লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা মায়োকরবা য়াই হায়রি। চীংগী জিলা অয়াম্বদা হয়েং অমসুং হংচিৎ নোং চুরবা য়াই হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি স্পেস সেক্তরদা অনৌ অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা খুমাং য়াংনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙমলে।

মহাকা হায়- সেমি সাইক্রোজেনিক ইঞ্জিন অমসুং ইলেক্ট্রিক প্রোপুলসনগী লমদা লৈবাক অসি মাংজিল থাবা ঙমলে। অথুবা মতমদা গগনয়ান মিসন হৌদোক্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অথুবা মতমদা ভারতকী ওইবা স্পেস ষ্টেসন লৈহনবা ঙল্লগনি।

নেসনেল স্পেস ডেগা মরী লৈননা পীবা মহাক্কী ভিদিও মেসেজ অমদা প্রধান মন্ত্রিনা স্পেসকী লমদা থবক তৌরিবা সাইন্তিষ্ট, নহাশিং অমদি মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পিখি। মহাকা হায়- নেসনেল স্পেস ডে অসি লৈবাক অসিগী নহাশিংগী ওইনা য়ামা মরুওইবা অমদি হরাউবা নুমিৎ অমা ওইবা ঙমলে। হৌখিবা চহি ১১ অসিদা সরকার অসিনা হোৎনবদগী স্পেস সেক্তরদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংবা ঙমলে। মহাকা হায়- স্পেস টেকোলোজি অসি লৈবাক অসিগী লৈঙাক সাসনগী শরুক অমা ওইরি। মসিনা লৌমী অমসুং ঙামীশিংদা টেকোলোজিগী খুত্থাংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- স্পেসকী লমদা খুমাং চাওশিনবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না লাইথোকহনবা ঙমলে।

ঙসি নেসনেল স্পেস ডে নুমিৎ মরী লৈননা গ্রুপ কেপ্তেন সুবানসু সুক্লানা নিউ দিল্লিগী নেহরু প্লানেটরিয়মদা আরিয়া ভত্তা গেল্লেরি শঙ্গাখ্রে। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সুক্লানা হায়- হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মখোয়গী মখোয়গী মঙলান অদু মঙফাওনহনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমবা হোৎনগদবনি। মসিনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎহনবা ঙমগনি।

সিবিআই ঃ মুম্বাইগী অনিল অম্বানিগী লৈফমদা বেঙ্কতা নমথাক তৌবগা মরী লৈননা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লুপা কোতি লিশিং ২ হেন্না মাংহনবগা মরী লৈননা থৌরাং অসি চত্থখিবনি। এস.বি.আইদা নমথাক তৌদুনা লুপা কোতি লিশিং ২ রোমগী শেন্থুং অসি মাংহনবগী কেসকা মরী লৈননা কম্পনি অমসুং মসিগী প্রমোতরশিং নমথাক তৌবশিংনি হায়না খঙদোকখিবনি। মসি আর.বি.আইগী মতুংইন্না লাউথোকখিবনি হায়রি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত অমসুং আমেরিকাগী লল্লোন ঈতিক্কী লমদা য়াশিন্নবগী ৱাফমশিং মখা তানা চথুরগনি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা লৌমী অমসুং পোথোক মচা মচা পুথোক্লিবা লৈবাক অসিগী মীওইশিংদা মখোয়বু পুকিং থৌগৎতুনা মখোয়গীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ই.টি. ৱার্ল্ড লিদরস ফোরম ২০২৫ গী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা আমেরিকাগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱারেপ কয়াদা থৌদাং লৌমিন্নদুনা য়ান্নবা কয়া পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়াম মশা মরোমদোক লেপচবা ঙমবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি।

উত্তরাখন্দ ঃ উত্তরাখন্দগী চমোলি জিলাদা ঙরাং নুমিদাং লেপ্তুনা নোং চুবদগী ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরে। অকাশবানি পাউমীনা হায়- ইখঙ খঙহৌদনা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা ঈচাউ থোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট বিভাগনা মী কনবা অমসুং মী থাংদোকপগী থবক চথুরি।

মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা মী কনবা অমসুং থাংদোকপগী থবক খুমাং য়াংনা চংশিন্নবা খঙহনখ্রে। মরক অসিদা, নোংনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা য়ুম কৈশিংগী খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীননবা হায়খ্রে।

অমরোমদা, কর্নাপ্রয়াগ অমসুং গ্বালদম লম্বী মফম কয়াদা অকাই অতোই থোক্লে। শেমজিনবগী থবক চথুরি। মরক অসিদা মেট দিপার্টমেন্টনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দুরানঃ নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ এফ.সিনা ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান কপকী মপু ওইখ্রে। ঙসি কোলকাতাগী বিবেকানন্দা য়ুব ভারত্তি ক্রিরঙ্গন ষ্টেদিয়মদা

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ এফ.সিনা দাইমন্দ হারবর এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-১ থোইখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইতেদ এফ.সিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু গাইতোন, জাইরো, হুইদ্রোম থোই, অকসির অকতর, পারথিব গোগোই অমদি অলাদিন অজারেনা চনখি। দাইমন্দ হারবর এফ.সিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মাইকেল কোতাজারনা চনখি।

ফুটবোল ঃ  সবজ্‌নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর সবজ্‌নিয়র গার্লস ফুটবোল টিমনা তামিলনাদুবু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কে. নন্দিনি, দেলিনা নিংঙোম্বম, টি.ঐচ. মালেমঙানবী, টি. রেজিয়া অমসুং দসিলা শেঞ্জমনা চনখি।

তমেংলোংঃ তমেংলোং ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-চেংদাই নামজোং এফ.সিনা তপোংচা এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা দব্লিউ.পি.এফ.সিনা অমানা ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১১-১ দা থোইখি।

------